**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-01-2026)**

**সুভাসচন্দ্র(এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়রি-নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মপোক নুমিৎতা পরাক্রম দিবস হায়না পাঙথোক্লিবা অসি ভারতকী নীংতম লানদা সুভাসচন্দ্র বোসনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু ইকায় খুমবা উৎপা অমসুং লৈবাক অসিগী নীংতম্বা অমসুং অমত্তা ওইবগী ফিরেপ নৌহৌননা চেৎশিলহনবনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ. ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়-ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (আই.এন.এ) না ইং কুমজা ১৯৪৪ গী এপ্রিলদা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল মোইরাংদা ইহান হান্না চিংখৎখি। মসিনা মোইরাং অসি ভারতকী নীংতম ইহৌগা মরী লৈনবা য়ামা ঐতিহাসিক ওইরবা লমদম অমনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী নীংতম ইহৌদা আই.এন.এগী খুৎথাংদা মনিপুরিশিংনা লৌখিবা থৌদাং শিংথানিংঙাইনি। মনিপুরিশিংগী লৈবাক নীংবা অমসুং কৎথোকপগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক লেপখিবা অদু থাগৎনিংঙাইনি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা পরাক্রম দিবসকা মরী লৈননা থারকপা ভিদিও অমসু উৎখি। প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-নেতাজি সুভাসচন্দ্রনা লৈবাক্কীদমক থৌনা ফনা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনখিবা অদুনা মহাক অসি অকিবা লৈতবা লুচিংবা অমসুং লৈবাক নীংবা অশেংবা লুচিংবা অমনি হায়বদু তাক্লি।

পরাক্রম দিবস থৌরম ককচিং জিলাগী জৱাহর নোবোদিয়া বিদ্যালয়-

উমাথেলদা পাঙথোকখি। পরিক্ষা পে চরচাগী ৯ শুবা এদিসনগা মরী লৈননা লৈবাক নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ১২৯ শুবা মপোক ক্মওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ওপরেসন সিন্ধুরগী হীরমদা-জেট.ই.ও. ককচিংগী মখাদা লৈবা ক্লাস নাইনদগী ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবগী মহৈরোইশিংগী ওইবা কুইজ কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি।

**রিয়ারসেল (এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী ফ্‌ল দ্রেস রিয়ারসেল পাঙথোক্কনি। কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবসকী পেরেড কম্মান্দরনা ৮ শুবা মনিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট-এন. মোধুনিমাইনা ওইগনি।

পেরেড অসি ঐতিহাসিক ওইরবা কংলা ফাওদুনা চৎলবা মতুং অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা লোয়শিনগনি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ফুল দ্রেস রিয়ারসেলগী য়েংলগা মরুওইবা মফমশিং শিৎ শেংবগী থবক পায়খৎলি। অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক মফম কয়াদা সেক্যুরিতিনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবকসু চথুরি।

হয়েং পাঙথোক্কদবা ফুল দ্রেস রিয়ারসেল অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগী য়েংলগা লম্বীগী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা লৈরে। অহোংবা অসি অয়ুক পুং ৬ মখায়দগী হৌরগা থৌরম লোয়দ্রিবা ফাওবা চৎনগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং মণিপুরগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-লিলোংরোমদগী শিংজমৈ তমা লাকপা হেভি ভেহিকলশিং পিশুমথোং লোমদা নাথৈদুনা চৎখিগনি। মোইরাংখোম লোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা কৈশামথোং থোংলোমদা থৈদুনা চৎখিগনি। ময়াংইম্ফাল লম্বীদগী কৈশামপাৎ জঙ্কসন তমা লাকপা গাড়িশিং তিদিম লাইন নত্রগা ৱাহেংবম লৈকাইরোমদা থৈখিগনি। কোইরেংগৈদগী খোঙনাং অনি কারক তমা লাকপা গাড়িশিংনা দিংকু রোড নত্রগা এসেমব্লি লম্বীরোমদা থৈখিগদবনি।

ইম্ফাল ইষ্টতগী শঞ্জেনথোং অমসুং মীনুথোং তমা লাকপা গাড়িশিং লমলোং থোং, লোক্লাউবুং, থোম্বুথোং অমসুং শিংজমৈ থোং লোমদা থৈদুনা চৎখিগনি। উরিপোক-কাংচুপ রোডতগী ফ্লাই ওভর ব্রিজ অমসুং বি.টি রোড তমা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাল লোমদা থৈখিগনি। নিউ কছার রোডলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাল নত্রগা কৈশামপাৎ লোমদা থৈখিগনি। তিদিম লম্বীদগী কৈশামপাৎ জঙ্কসন তমা লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নত্রগা ময়াংইম্ফাল লম্বীদা থৈদুনা চৎখিগনি। খোয়াথোংদগী এল.আই.সি ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিং নাগামপাল লোমদা চৎখিগদবনি। খুমন লম্পাক অমসুং এম.এম.টি.এদগী নোর্থ এ.ও.সি ক্রোসি তমা লাকপা গাড়িশিংনা এম.এম.টি.এ ক্রোসিং লোমদা থৈদুনা মীনুথোং লোমদা চৎহনখিগনি।

থৌবাল জিলাদসু ঙসি ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌমরগী মপুং ফাবা রিয়ারসেল পাঙথোকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা জিলা অসিগী চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-য়ামাম রোবিতা, জিলা অসিগী এস.পি. মনোজ প্রভাকর শরুক য়াখি।

**ইয়ারপোর্ট(এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমদি ইয়ারপোর্ট এদভাইজরি কমিতিগী চেয়ারমেননা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইয়ারপোর্ট এদভাইজরি কমিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ইয়ারপোর্টকী চাউখৎ থৌরাংগী মতাং অমদি লমদম অসিদা ইয়ার কন্নেক্তিভিতি হেন্না লৈহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মসিদসু নত্তনা ইয়ারপোর্ট হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবা অমদি মফম অসিদা মীয়ামগী য়াইফনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগী চেকশিন থৌরাংসু হেন্না পায়খৎনবগী মতাংদা খন্নখি।

**রিসিকান্তা(এল)ঃ** ককচিং খুনৌ হিজম উচান মখোঙ লৈকাইদগী ময়াংলম্বম

রিসিকান্ত সিংহ লৈখিদবগা মরী লৈননা সরকারনা মহাক্কী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ তরা ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী হোম কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি-এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমদা-চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তুইবোংদগী শকখঙদবশিংনা ফারগা পুখ্রগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

লৈখিদ্রবা রিসিকান্তা সিংহ চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তুইবোংদগী মহাক্কী নুপী চিংনু হাওকিপগা লোয়ননা ময়ুমদগী শকখঙদবশিংনা ফারগা পুখিবনি। অদুগা নাকজাং ভিলেজতা রিসিকান্তবু হাৎলগা হুন্দোক্লম্বনি হায়রি।

মীহাৎ অসিবু মনিপুর ইমানা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ককচিং জিলাদগী ময়াংলম্বম রিসিকান্তবু চুরাচান্দপুরদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা মীওহবগী মীনুংশি অমত্তা য়েংদনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌওং অদুদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

ময়াংলম্বম রিসিকান্তগী মীহাৎ অসি য়ানিংদে হায়দুনা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। দল অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট চল্লাইবা মফম অমদা খুৎলায় পায়বা খুৎপু খরনা মীচম অমবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অমদি থৌদোক অদুবু লাইফ ভিদিও ফাওবা নল্লগা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ঙমহল্লিবগী থৌওং ভারত সরকারনা য়েংশিনগদবনি।

**শিব সেনা (এল)ঃ** শিব সেনা হৌদোক্লম্বা অমসুং মসিগী লুচিংবা বালা সহেব থাক্রেগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি।

থৌরম অসি শিবা সেনা মনিপুর প্রদেসনসু শিনদুনা ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সহেব থাক্রে ভবনদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দলগী প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম তোম্বীনা হায়-মনিপুরদা চহি অহুম ফাজিল্লক্কদৌরবা ইরাং অসি লোয়শিনদুনা শান্তি পুরকবা কেন্দ্র সরকার, রাজ্য সরকার অমদি সি.এস.ওশিংনা কন্না হোৎনরিঙৈদা মনিপুরগী ষ্টেটহুড নুমিৎতা ককচিং খুনৌদগী ময়াংলম্বম রিসিকান্ত হাৎখিবা হায়বসি য়ামা নিন্দা তৌনিংঙাই ওই। মহাকা হায়-অসিগুম্বা মীহাৎ অসিদা সরকারনা পুকিং হেন্না চংশিন্দুনা মদুদা চেন্নরিবশিং চৈরাক পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-সরকার অসিনা সুগী চৎন-কাঙলোন চৎলিব্রা হায়বদু নীংথিনা য়েংশিনবা মতম ওইরে। শ্রী তোম্বীনা হায়-কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা অথুবা মতমদা মনিপুরদা মীয়ামনা পামবা সরকার অমা থমবা হোৎনদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা নীংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-মনিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা জাতি খুদিংমক্কী চাউরবা দায়ত্ব লৈ। মনিপুর হায়বসি কনাগুম্বা জাতি কাংলুপ অমখক্কী লম নত্তে। মসিদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কীনি। অদুনা মনিপুরবু কায়দনবা হোৎনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী দায়ত্বনি।

**থৌবাল(এল)ঃ** নেপ্রা মেঞ্জর মেমোরিএল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিনদুনা ২১ শুবা নেপ্রা মেঞ্জর নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী নেপ্রা কমপাং ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ওক্রম ইবোবী সিংহ শরুক য়াখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমদি আই.সি.দি.এস. সেল-চান্দেলনা পুন্না শিনদুনা বেতি বচাউ-বেতি পরাউ স্কিমগী মখাদা জিলা থাক্কী ওইবা মীফম অমা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা

পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হেমন্ত কুমারনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা এদুকেসন, হকশেল, পুলিস অমদি ৱান স্তোপ সেন্টর চান্দেলগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়ানা শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীপ্ম খুদিংমকা লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারতকী মংলান মংফাওনহন্নবা কন্না হোৎনরি। মংলান অসিবু মংফাওনহন্নবগীদমক সহরগী লমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা শেমগৎনবা সরকারনা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা শেনফম কয়া থাদদুনা লাক্লি।

কেরলাগী তিরুবন্তপুরমদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তন্বা অমসুং অনৌবা রেলগাড়ি মরি লমথবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-সরকারনা নৌনা শেমদোকখিবা ইনকম টেক্সকী অনৌবা থৌশিলনা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরে। কেরলাগী মীয়ামনসু কান্নবশিং অসি ফংবা ঙমলে। লৈবাক অসিগী মীয়ামবু বেঙ্ককী খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক সরকার অসিনা অকনবা থবক পায়খৎলি। মসিনা বেঙ্ক লোল লায়না ফংহন্নবা থৌরাং অমা ওইহনবা ঙমগনি। থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা পি.এম. সভানিধি ক্রেদিত কার্ড হৌদোকখি অমসুং পি.এম. সভানিধিগী লোলশিংসু কেরলাগী মীওই লাখ অমদা য়েন্থোকখি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩০ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী

ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**আর্মিঃ** চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল-অনিল চৌহাননা হায়রি-নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসনা লৈবাক অসিগী রাজনিতি, কুতনিতি অমসুং মিলিটরি ওপরেসনশিং অমগা অমগা মরী লৈনৈ হায়বদু নীংথিনা উৎখি।

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভরসিতিদা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা জেনরেল চৌহাননা হায়-নেতাজিগী ৱাখল্লোন কয়া অদু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংদুনা অদুম্মক লৈরি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অদু অশুম অশুম ময়েক শেংবা হেনগৎলকপা অদু মীয়ামনা খঙনবা হৌরক্লে।

**ফেষ্টিভেল ঃ** ভারত রং মহোৎসব (বি.আর.এম) ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াগী ২৫ শুবা ইদিসন থা অসিগী ২৭ তগী দিল্লি অমসুং অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা-নেসনেল স্কুল ওফ ড্রামাগী দিরেক্তর চিত্তরঞ্জন ত্রিপাথিনা হায়- ফেষ্টিভেল অসিদা বি.আর.এমনা থিয়েটরগী জগোই, ড্রামা, পপেট থিয়েটর য়াওনা অতৈ ত্রেদিসনেল থিয়েটরগী কলা কয়া উৎকনি। ফেষ্টিভেল অসিগী অখন্নবা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংদি আদি রং মহোৎসব, জসন ই বচপন অমসুং বাল রং মহোৎসবনি। মহাকা মখা তানা হায়-ফেষ্টিভেল অসিদা নুপী দিরেক্তরনা পুথোকপা ফিচর প্লে ৩৩ উৎকনি। মহাকা হায়- ফেষ্টিভেল অসি অহানবা ওইনা লদাখ, অন্দমান-নিকোবর ঈথৎ, লক্সদ্বিপ, দমন এন্দ দিউ, আইজোল, তুরা, নগাউন, মন্দি অমসুং রোহতকতা ফেষ্টিভেল অসিগী সেন্তর ওইরগনি। ফেষ্টিভেল অসি মথং থাগী ২০ ফাওবা

চথ্খগনি।

**ফুটবোলঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা-মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (মেন) না উৎলৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা, নেরোকা এফ.সিনা ফুটবোল ক্লব লমজাউবু পাঞ্জল ৪-২ দা অমদি সোসিএল দিবলপমেন্ট ক্লবনা টিদিম রোড এঠলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** হিদাম ধনঞ্জয় মীতৈ মেমোরিএল ফার্ষ্ট ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ গী ঙসি লমদুং হায়স্কুল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা দি.ৱাই.সি. খনারোকনা অপুনবা উরুপ অরাপতি এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** হাউরৈবা কাংজৈবুংদা, হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনদুনা চথ্নরিবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-সনা এফ.সি-থৌবাল অমদি সেক্তা য়ুনাইটেদ পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনালতিদা সনা এফ.সিনা সেক্তা য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-খুমন লৈবাক ময়াং ইম্ফালনা কৈখু এফ.সিবু পাঞ্জ্জল ৪-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** বিহারগী পাটনাদা লৈবা মোইন উল হক ষ্টেদিয়মদা চথ্নরিবা রঞ্জি ত্রোফি প্লেট ফাইনেলগী বিহার অমসুং মণিপুরগী ঙসি শান্নবগী নিনি চনবা নুমিৎতা মনিপুরনা অহানবা ইনিংসতা ৱিকেট অহুম তুরগা রন-১২৯ লৌরি।

মদুগী মমাংদা, বিহারনা মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা রন-৫২২ লৌখি।

**পোলোঃ** ২ শুবা ডাঃ কে.এস.ঐচ চৌরজিৎ ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট পোলো তুরনামেন্ট মথং থাগী ৮ দগী ১৪ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা মণিপুরগী জিলা মঙাগী পোলো ক্লব ১০ না শরুক য়াগনি।